> "কবিতা হায়বসি হৌজিক্তি লাউনা হায়বনা পক্নদে। লোন্না নাপদা শোনগদবনি। অদুগা শৈরেং হৈনদবা মীশক্তা শৈরেং পাবীয়ু হায়বসিমা খক হায়রোইদবনি।" - *নীলকান্ত (চৎলসিনে কদাইদনো ইবানি)*

# শৈরেং

## সনালৈবাক

**—ৱারক শৈরেংবা@ৱারক কবি**

চীংয়াগী তময়াগী
খুঙ্গংগী লৌবুক লম্বাংশিং
কোনুংমক্লি খঞ্জবা খাংপোকশিং
মৈরি থোকহৌই,
ইচাশিং ইশুশিংগী নৌজরিবা
মিৎস্নাশিংদো ইখেং তাহৌই।
নোংমৈগী বোমগী তোপকী
খোঞ্জেলগা য়ারেকমিন্নহৌই
মোংফমগী লম্বীবু হানবা তান্নহৌই
চীংনুংগী হরিখক্তনা তেংথাহৌই।
মনম নমথীবা সহরগী
ৱাংলবা দোলান কয়াগী মথক্তা
বাইনোকুলর পায়দুনা কুক্কে য়েংনহৌই।
সনানা ময়ুং ওই, লুপানা মফেন চন
কেবমখে কেথদুনা
শাবী শানৌশিং পুন্সি লৈপুন শেম্নহৌই।
বম্বুলা মশীং নাইদনা থানহৌই
মৈকাপ্পী কয়াসু কাপহৌই।
অঙম অথৌ ফম্নাইবা ফম্নাইবীশিং
মনা পঙনহৌই মমিৎসু তাঙনহৌই,
মতিক চামনখ্রবা নিংথৌদো
শিবা য়াখিরোই, ময়াম চঙদুনা খান্নহৌই।
পাউচেদা টেলিভিজনদা, বিলাটি হুইজাওদো
মাঙখ্রে হায়না পাউজেলহৌই,
ফংলদি লুপা খাউজাও পীথগনি লাওথোকহৌই।
অসি ওইবতাই সনালৈবাক!!!

## 'চফু কায়রগা ক্বাক্না হরাওই'

**—চন চন থৌদাম**

'চফু কায়রগা ক্বাক্না হরাওই'
শোয়ফদ্রবা পাউতাক্লি মায়চৌশিংনা থাবীরম্বা
মায়কৈ-মায়কৈ নাকপাক তান্নে
মীচং খোম্নে লানবুং ময়ায়দা।
ক্বাক মশেল চিক্লবসু য়াওই
অঙম-অঙম্বা ফোয়দৎনৈ।
মীয়ান ক্বাক্না ৱায়েল চুপলি পায়গনি
অতোংবদা লেপ্পগা ৱাতেন্নলি।
মায়চৌ শাবা খুজোক্না
'চুম্মী' 'চুম্মী' লাওরনি
খোঙলোয়শিংনা তুংইন্নি।
পোলোইদা থৱায়না পোন্থা ওইগনি
মীচম, অহল-নহা খাক্তনা
মীকপ মীরাওখোলনা নিনগনি।
লায়র তানবা ওইনরা
চফু কায়হনবা তাগনি।
কাউফদে মায়চৌগী পাউতাক
'ইনাক খুনবা তরানা লায়রবা অমা শৌগৎপা ঙমদে।'

## শেগাইরক্লিবা মণিপুরগী মেপ

**—সোইম মঙ্গিজাও**

পাল্লম-চাওরম্বা মৈত্রবাক্কী লম
মৈতে নিংথৌশিংনা ঙাক্লম-কঞ্জরকপা লম
মণিপুর কৌনা থোনখিঙৈ
মমিংগী ভেল্যু মাঙখিঙৈ
য়াঙ্কোক মানবা থল্লাসে
নোংপোক্তা চারিবা লানশিল্লকপা তিল্লাইখোন্বী
নোংচুপ হারমগী তিল্লাইখোন্বী মীরমদৈ।
অৱাং হারমগী তিল্লাইখোন্বী-মখাগীসু
অসুম চাশিল্লক, অসুম শেগাইরক মণিপুরগী মেপ!
থল্লানা য়োল্লম্বা খেট্রি
মশোং ফননা তেমশিংলক্লি
খোইদৌ থম্বাল মনাক্কী
তিনখাক তুজোন্বী অনী
খুনু খোঙগী শল্লাং মান
মপুমক্কী মাননা নত্তশা
য়েংদা শানা মিৎলাওবী
চাদ শানা চখোমজাও
চিকথৎ-শেগাইরক্লীবা মণিপুরগী মেপ!
য়াংকোক মানবা থল্লাগী মপু
মপুদুদা 'লফোই চাগেরা?' হংলুববু
পাউখুমলকই - 'অখোকপরা?'"

## লাক্লো থোরক্লো

**—কোকিল মৈতে**

লাক্লো থোরক্লো মৈতে ইরৈচাশা
ইরৈপাক ইজাতি কনবা ইথৌদাংনি কাউগনু
নঙগী নঙগী অঙম্বা
তৌবা য়াবা তৌরো
পাংবা য়াবা পাংঙো
'অততাই নত্তে লানসে'
ইশানা ইশাবু কঞ্জবা নত্তনা
কনাসু লাল্লগা কল্লোইদো ঐখোয়বু।
ঐগী ঐগী অনীংবা অপান্বদা চৎনগুমসি
ঐখোয় মশেল পুনশিন্নবা তাই
ঐখোয় মশেল ৱাখল তামিন্নসি
ঐখোয় মশেল লিংজেল মান্নসি,
চংশিল্লু চংশিনসি ঐখোয়
লানগী মায়ওন চুম্না
নীংহন্নবা য়াদে ঐখোয়
লান মায় পাক্তবা য়াদবনি।
খল্লু খনসি ঐখোয়
ইরৈপাক ইজাতি কন্দবা য়াদবনি
কিগনু কিগনু চংশিনমিন্নরসি
'শোক্লরো শোক্লরসি ইরৈপাক ইজাতিগীদমক লান'
থেংনমিন্নরসি ঐখোয় পূন্না
নিংঙাইদনা লৈবগী মতম নত্তে
য়েক্লা মায়োক য়ারসি
হাপকৎলো থৌনা পাঙ্গল।

## ইমা লৈবাক মণিপুর

**—বিরাচান্দ ওইনাম**

ইমা লৈবাক মণিপুর
পলেম-ও নঙবু লাইবকথীবি
খুরুমজরিয়ে নচা ঐখোয়না
ইমাগী শেংলবা খুয়াখাদা
ইমা লৈবাক মণিপুর।
চাক্লে মৈরিনা কল্লক মীহৌবগী,
খুরক হাংদ্রে হাৎন শুনবনা,
কাঙলূপ ফুরুপ নাইনবগী
মীকপ মীরাওখোল তাঙমদরে
ইমা লৈবাক মণিপুর।
চেকখায়রবা মালেম ইমাগী
মাঙ তাকখ্রবা পূন্নমক্কী
কায়না মৈচাক খাঙবদা
মীৎলু পিরাং শিন্থরিব্রা
ইমা লৈবাক মণিপুর।
কনবীরো ইমা নহাক্না
খিকপীরো শান্তিগী ঈরিক
ঈংহনবীরো মালেম লৈমসে
থৌজান হৈবী ইমানা
ইমা লৈবাক মণিপুর।
ঙমখৈগী লম মুন্নবদা
কাঙলূপকী লান থোক্তুনা
ঈহিং নাহিং তান্নরিবসে
শান্তিগী ফিরাল চিংখৎলসে
ইমা লৈবাক মণিপুরসিদা।
হৌরো হৌরো নহারোলশা
খান্বী মৈরি মৈহৌরিবসে
মুথৎনবগী মতম ওইরক্লে
লিংজেল মান্নলা ঐখোয়না
ইমা লৈবাক মণিপুরসিদা।

## ইরৈপাক ইরমদম

**—শ্রীকাংজম নন্দকুমার**

ইঙা ইঙেনগী নোংজুলক্তা
নুমিৎনা চীংয়া তল্লকপদা
তাখিদরে হরিনোং নাংগী
খোঞ্জেলসু অশুকপা
উপাল-ৱাপাল্লক্তগী।
হরি মন্দিরশিংদগী
সন্ধ্যা আরতিগী খোঞ্জেল
তাখিদরে, ধুপ, থাওমৈগী
মৈঙাল্লক্তা নুংশিনা শক্লম্বা
লাইশোন ঈশৈসু তাখিদরে।
কয়াদা নুংশিখ্রবা
মতম মাগী অওনবা খোঞ্জেলনো
তাহে-উহৈদ্রবা মীকপ
মীরাও খোলতনা নিল্লি
ইরমদম ইরৈপাক ঙসিদি,
কাইখ্রবা অওনবশিং অসে
অমুক নৌনা লাক্লরোই
পাম্মু পাম্মু নুংশিনা
লোইখ্রগনি পুন্সি খোঙচৎসু।

## কয়াম ৱাৎলি

**—ডা. অকোইজম ইবোহল**

কংলৈ সনা পুংময়োল
কংলা উত্রা মমাঙদা
কংলাশাগী মীৎয়েংখাদা
মৈদিংঙু মোংয়াম্বগী হাক্তক্তগী
লুফৌ নুঙপাক্লা নম্থৎতুনা
থল্লকখিবা খাগী লৈবাক্কী
মৈদনা কৌবা হিংচাবনা
শাফোংলক্তুনা ওৎ নৈরকপা
থাবুম অহুম হেনজিল্লক্লে।
ৱারে ৱাবা য়াবা ৱানরে
মীপাই থবাইনরে মীপূম খুদিং
পন্থৌ কায়নবগী, পারি শেৎনবগী
মীকপ মীরাওখোলতনা থুমহৎখ্রে
কাং খোং চাইরবা কংলৈপাক,
কয়াম ৱাৎলি নঙগী মীওৎ,
ঙাইবদা ৱারে খূৎ থেক্তুনা
তংদু লৈতাবা পুন্সি মরেল
হঞ্জিল্লক্কদবা নুমিৎ থা অদু।
হে ইবুধৌ পাখঙবা - ও
খূবাম চাংজৌ তরা লোন্নদুনা
নশু ওইবা ঐখোয় খ্বাইনা
পুনেমজরি ঙাকলৌ খাদা
পীনবীরো চানবীদুনা অমুক্তদি
হী য়াইগী মশক ওইরবা
থাঙ খৌবোম্বা, তা খাঙসু নহা
কেলহল্লগে লুরেন য়েক্লবগী
মতুপ তরেৎ থোক্লা ককথৎলগে।

## মৈরীলক্তা তেংথাখোল

**—লাইশ্রম ওংবী সুমিতা লৈমা**

হো ইমা নুংশিরবী কংলৈপাক
ঙসি নহাক্কী নতম্পাক্তা
চেন চোংদুনা অকিবা অখংবা য়াওদনা
নাওথী শাজরম্বা ঐখোয়সে
ঙসিদি মায়কৈ সলাই খঙদরে
কদোমদবু চেনগদবা কদাইদবু পন্থুংলুগদবা
মীৎলু পিরাংগা ইরোয়ননা
ৱাখলগী পোৎলূম পুদুনা
চেন্নরি থৱায় হিংননবা
মৈরিনা তাঙ্গৈই ওলহৌরবা
ইয়ুম মোংবা যূমজাওদো
তুংওইননা থাদোক্লম
ইমা ইমা লাওদুনা চেন্নরি মৈচাক্না লোয়ননা
কদোমদগী খঙহৌদনা হৌরকপা নোংলৈনো
খঙহৌদে মীৎকুপতো।
খাংলি ঙসিসু মৈচাক্না লোয়ননা
থুংলুবা মফমদুদা লাঞ্জেন্নরকপা কয়াশিংগা
থেংল অহিং তাংলৌদা
তূমখুল তাল্লু য়াদ্রবা থম্মোয়সে
মখোল থোক্লা কপ্পক্লে
কৈদৌঙৈ লোইগনি লান
ফৎতেদকো লান নহাকসে
শিবা নাইবা মীওই মপোক্লি
কাউবরনে নখোয়না খন্থদবা ৱাখলশিংদুনা
নৈহৎপীরি ঐখোয়বু
অৱাফমদা লংশিনবীরে ফাথদবা থম্মোয়শিংদুনা
লোইরোগবা লান
লান পামদে ঐখোয়দি
নুংশিবা লীপুনগা লোয়ননা
হিংমিন্নবা পাল্লুবনি মীওইবা ওইনা।

---

মতম মতমগী ৱাখল

# অহুমশুবা নুপীলাল অমা

পন্দবদি য়াদ্রে অহুমশুবা মণিপুরগী নুপী লাল । কদায়দা করম্না,করিদগী হৌরকখিবা মণিপুরগী নুপী লাল ? ঐখোয়গী ইমা ইবেল, ইচে ইচল লান পান্থা নত্তে। লাল হৈতে। লানগী ৱাখল লৈতে । মচা মশুগী, ইমুং মনুংগী, কৈরোই লৈকাইগী,মীয়ামগী থবক থৌরমশিংদা থৌদাং য়াজদুনা লাকখিবনি। অহানবা অমদি অনীশুবা থোকখিবা মণিপুরগী নুপী লালনি হায়নখিবসি, লানগীদমক মাংজৌননা থৌরাং তৌরগা লৈখিবা অমত্তা নত্তে । হৌনরুদনা খঙহৌদনা হৌরকখিবা লালনি । অহানবা নুপী লাল বৃটিশ কোলোনিএলগা মাইয়োক্তনি। লমদমসিগী নুপাশিংবু সাহেবশিংনা মীনাইগুম্না থবক শীজিন্নবগীনি। অনীশুবনা, ঐখোয়গী চেঙ মপান্দা থাদোকপা মণিপুরদা চেঙ তাঙহনবদগীনি। পেন্দবগী, খোইরাং খোইশাওনবদগী, মতম অদুগী লৈঙাক্কী মাইয়োক্তা হৌখিবা নুপীগী লালনি ।।

মতম অদুগী মণিপুরগী লৈঙাক অসি বৃটিশকী খুৎতনি। মীয়ামগা লৈঙাক্কা মূক্লখি । মীচম মীয়াম ৱানা খাঙখি । ইমা ইবেলশিং বৃটিশকী খুৎতা মীশি মীনা,অশোক অপন য়াম্না নঙখি। অনীশুবা নুপী লালনা, চাক তাঙবা থোকখিবদগীনি, মণিপুরগী চেঙ ললোনবশিংনা মপান্দা থাদোকখিবা, পোৎ-চৈগী মমল লৌনিংবা লৌদুনা য়োল্লক্পা, শুফম নোমফম খঙলক্তবা কয়া অসিনা অনীশুবা নুপী লাল লমদম অসিদা থোকলক্লবগী মরম ওইখি। লমদম অসিগী ইমা ইবেল,ইচে ইচলশিং অসি নুপী লাল হৌনবগীদমক লাকখিবরা ? খৎনবা পান্বা, চিনগনবী ইকায় খঙদবী ঙাক্তরা ?




লমদমসিগী ইমা ইবেল, ইচে ইচলশিং অদুগুম্বী অমত্তা নত্তে। খাঙবা কনবীনি,চিকখোন নাওকোনবী, মচা চানবীনি, যুম পুবীনি, ইমানি। অসি খক হায়বদা অদুম য়ারে । খা চিক্তুনা খাঙবা য়াবা খাঙলকপদা ঙমলক্তুদুনা খুৎতা তেম পায়রগা চোংথোকলকখিবনি। নুপী লাল মিংথোন্দি মীয়াম্না থোনবীখিবনি।

হৌজিক্লা কমদৌবা ? লমদমসি হেনদি য়াম্না হেনমল্লবনি। য়েংলু য়েংলুবা খূদিংমক্তা পূক্লিং লৈতানা যুম পানবা ইমুং উবা ফংদে । লম্বী থোং য়াদে, শেন থুমগী ফিভম ফত্তে, লৈঙাক্লা লিংখৎপা মহৈ মশিং তম্ফম মওং তাদে। হিংবদা চঙগদবা পোৎলম খূদিংমক মীপান তাংলি । মহৈ মশিং হৈজবা নহরোলশিং শুফম নোমফম খঙদে, সরকারগী পোলিসি তায়োন্নে, থিকাগী পোলিসি, করপসনগী পোলিসিনা হেন্না ৱাংনা লৈ। মাগী মাগী কাঙলুপ শেম্নে, লুচিংবা য়াম্মী। অমনা ঙাঙবা অমনা তানিংদে। অখঙবনা ঙাঙবদা খঙদবনা তানিংদে । পেন্দবা ময়াম অসিদগী অচুম্বা পান্থা নহারোল থোকলকখি। মখোয়বু লালহৌবনি হায়না লাওথোকপী। লালহৌবা থিবগী নমাদা মীচম কয়াগী পূন্সি লোমহনবীখি। মীচম হাৎলগা ফমথোন কাখিবা সিফাই, পুলিস য়াওখৎনরকই। লমদমসি অরানবা লম্বীদা শেল তানবা নুংঙাইবা মফম ওইরকখি। মীয়াম ঙাক শেন্নবা লাকপা সিফাইগা নহারোলগা খুৎ থোক্লখি। অসুক ৱানরিঙৈ মরক অসিদা ৱাখন খন্থদবা, নিশাদা লাইচুরবা, কান্নদ্রবা মীরেমশিং নহা অহল মশীং অমুক হেনগৎলকই। নিশা য়োল্লগা শেল তানবা কাঙবু অমুক থোকলকই। ইমুং-মনুং, কাং-খোং চাইনরকই। অসিগুম্বা থৌদোক কয়ানা মশীং খঙলকত্রবদা যুমগী ইমা ইবেন, ইচে ইচনশিং খাঙবা ঙম্নরকখিদে । নিশা থিংনবা নিশা বন্দ থোকলকই। নহারোল ফানবা থিবগী মিংদা সিফাইনা মীচম ফারকপদা কন্নবা অহিং য়ারেক্তুনা মৈরা পায়খৎলকই। নিশা বন্দদগী মৈরা পায়বী ওইরকখি। ঙসি মৈরা পাইবী অমুক কয়া হায়নখিদ্রে। মৈরা পাইবীগী মহুৎতা ইমা ইবেনশিংগী নুপী খুৎপু, কাঙলুপ কাঙলুপ মিং থোন্দুনা মাইকৈ মাইকৈগী লৈনরে । মতম অমগী ইমা ইবেন, চমজরবী মৈতে নুপীশিং শকলোন হোংলকখি । সিবিল সোসাইটি ওর্গেনাইজেন (সি এস ও) হায়রগা খঙনরি ।

অমবু ওইরবসু, লমদমসিগী নুপীশিংনা নুপাশিংদগী থৌদাং হেন্না য়ারি। নুপাশিংদি মনিংদা লৈখিবা কুইরে। মাঙ থাদুনা চোংথোক্লিবশিং অসি লমদমসিগী ইমা-ইবেন,ইচে ইচনশিং ঙাক্তনি। নুপানা থেংনগদবা লান, লমদম অসিদদি নুপীনা মায়োক্নদুনা থেংনরি। নুপাশিংনা যুম শংলে, নুপীনা মপান থোক্লগা ঙাকলে । অসিগুম্বা ফিভম অসি লমদমসিদা উরকপা কুইরে। মখোয়না থেংনরিবা তৌরিবা ময়াম অসি উরগা ঐহাক্কী মীৎয়েংদদি অহুমশুবা নুপী লাল হায়দবু লমদমসিদা হৌখিবা কুইরে হায়জনিংঙি। নুপী লাল থোকহন্নীংবগী নত্তে। নুপী লাল লমদমসিদা লৈবা কুইরে, হৌবা কুইরে হায়না লৌজবনি । মমাংদা থোকখিবা নুপী লালশিং অদুগা মান্নদে । মতম মতমগীনি । হেন্না শাথিবা মায়োক্লরিবা, লানফমদি হৌজিক্নবু হেল্লি । হৌজিক ইমা ইবেন্না থেংনরিবা ময়াম অসিবু নুপী লাল করম্না ওইরোইদগে । মসিদগী হেন্নবা ফিভম শোকপা থৱায় মাঙবা করম্বা অহেনবা লাল অমা অমুক ঐখোয়না ঙাইখিগদগে ? করম্বা অহেনবা লাল অমা ঐখোয়না থোকহনখিগদগে । মনোরমাগী ইহৌদা, কংলা মমাংগী থৌদোক, অসাম রাইফলসকী কা হেনবা অদু য়ানিংদবগী খোংজং অদুগী হেন্না চাউবা থৌদোক মমাংদা থোকখিদ্রি । আইটিন জুনগী ইহৌ,মতুং তারকপদা হৌখিবা মেগী তাং ৩ দগী লেপ্তুনা নুমিৎ মরিফু তারা (৯০) হেন্না চৎথরক্লিবা কুকি মিলিটেন্টশিংগা থেংনরিবা লাল,থৌদোক অসিগুম্বা মাংলমচৎকী পুৱারীদা লৈখিদ্রি । মসিদা লমদমসিগী নুপীশিংনা চাউনা থৌদাং য়ারি।

হৌজিক চৎথরিবা অসি তশেঙ তশেঙলবা লালনি । ড্রগকী লালদগী মখা শমথরকখিবা ম্যানমারদগী চঙশিনলকখিবা খুৎলাই পায়বা কুকি নার্কো টেরোরিষ্টকী লানফমদা শোক্লবা লালনি। লাল অসিদা অহিং মিংশেন খাঙদুনা খুন ঙাক্লিবা ইমা ইবেনশিংনি।। নুপী কয়া কুকিশিংনা তমথিনা ইজ্জৎ মাঙহনবীরগা হাৎখ্রি, থিবা ফংদবা কয়াসু য়াওরি। মৈতে নুপীগী থৌনা হন্দ্রি, চীংখোং চীংয়াদা ঙমখৈ ঙাক্লি। লম হেনবা লালহৌবা কুকিশিংগী মায়োক্তা,মখোয়বু শৌগৎলি হায়নরিবা অসাম রাইফসলকী সিফাইগী মায়োক্তা খুৎতা খুৎলাই পায়দনা খ্বাংশেৎ মচি লাংলগা নোংমৈ মরুগী মমাংদা চংশিল্লি। পেন্না পেন্না মচিনশিংদা 'লোং লিভ মনিপুর' হায়না লালগী খোল্লাও ওইনা শীজিন্নরগা চঙশিল্লি ।। অহানবা অমদি অনশুবা নুপী লালদদি 'লোং লিভ মনিপুর' লাওখিদবা মাল্লি ।

হৌজিক্কী থৌনা ফবী, মচা চানবী ইমা ইবেনশিংদা হায়জনিংবা খরদি লৈরে। ময়াম পূন্না খোঙহৌ হৌরকপদা,মণিপুরগী মাইকৈ মাইকৈদগী লান হৌরকখিবী ইমা ইবেনশিংগী মশীংদি য়াম্লে অদুবু ৱাখল মান্নদবগী মমি অমদি ইকায়খুম্নজরিবীশিংগী মফমদা উরি । মীয়ামগী খোঙহৌ লাকপীবদা, য়াউশংগী হোলি দোল লাকপগুম, রি পব্লিক ডেগী মার্চ পাষ্ট চৎপগী কন্টিনজেন্টকুম,মচু মচু ফিশেৎ মান্ননা শেৎপীরগা, কাঙলুপ নাইনা লাকপা উখি । করিগীদমক মচু মমেন অঙাংবা ঙাক্তা শেৎপা কাঙবু, অশংবা ঙাক্তা শেৎপা কাঙবু,ইচে ইচলশিংনা খায়দোক্লরগা শেৎলকপনো । উরুবা মিৎকুপ্তা, মরিং মরাংবা ফাওখি। ইমা ইবেন, ইচে ইচনশিংগী ফজখ্রবা লীপুন, লীংজেন অদু মচু মচু কাংলুপ নাইবা মওং অদুনা ৱাখল মান্নদবা, তথক তথকপা মতৌ ওইনা উখি। ঈথক ঈৱাং মচা অমগুম হাইরপ মান্ননা উরকখিবদগী ইথন্তা ৱাহংসি হংলকখি। লোইমক্তা নত্তে খরা য়াওরকপদা পঞ্জবনি, লান্নসু খনফরোই। তোঙান্না তাবা হায়বসি মীনসু ফজনা ঙাঙনরোই । লাঙ্গেংনরিবা কুকিশিংনা শেৎথোক- চাথোরকপদনা ইচম চন্মী। চপ মান্নবা অমুবা মচু ঙাক্তনি। ৱাখলসু মান্নখি । ঐখোয়গী ইচে ইচলশিংনা অপূনবা খোল্লাও লাওবগী লাকপদা শেৎখিবা মাগী মাগী মচুশিং অসি তশেঙনা ৱাখল মান্নদবগী মতৌ, তথক তথকপা মতৌ ওইনা উরকখি। থোক্লিবা থৌদোকসি লালনি । মীশি মীনা নঙলি, যূম মৈ চাক্লি হায়বসি কাওহন্নীংদে। মমাঙদা থোকখিবা নুপী লালশিংদা শরুক য়াখিবা নুপীশিংনা তোঙানবা লালগী ফিজেৎ মচু অমা শেম্নখিদে, ফোটোশিংদা উবা ফংখিদে । অরৈ অরৈবা শেৎনখি। শা-লানফমনি কেবগী মতম লৈখিদে । লানফমদা উরেং মচু, ময়েক নাইবী,কুমজিংবী শেৎখিদে।

অতোপ্পা অমনা, লাঞ্জেন্নরকপদা অঙাং উন্নবা য়াওবসি মালেমগী অনীশুবা লাঞ্জাও (জপান লাল)দসু ঐখোয়গী মণিপুরদা থোকখি। লাঞ্জেন্নরিঙৈ লম্বীদা,ষনগাড়ি মখাদা অঙাং উন্নখিবগী পাউ লৈরি । লাঞ্জেন্নফমদা ইপাল থৌরম, ষষ্টিপুজাগা পাংথোকপসিদি হন্দক মীডিয়াদা উবা ফংঙি । তৌরিবা মতৌসি হৌনরিব্রা ইমা ইবেনশিংনা খন্থবীয়ু । ঐখোয় মৈতে নুপীশিংদি অশি অনা য়াওরবদি যূম মাংলি হায়দুনা পাংথোক্লদে, মথৌ য়াঙ্গেন লোইদ্রিবা ফাওবা লাইবক্তা অমুবা লৈশা নমদুনা পুমঙৌ ফনেক শেৎনৈ । চাকহেন ঙাহেন তৌনৈ । মনেম মকু, মতৈ লৈতবগী মীকপ মীরাউখোল মরক্তা ষষ্টি পুজাগা শোনগৎলকপগী চৎনবসি চুমলিব্রা ? লানজেন্নফম হায়বসিদি মী মখল য়াম্না লৈনবনি। লাঞ্জেল্লক্লিবশিংগী মরক্তা,কনা অমনা মীশি মীনা ময়ুম মকৈ মৈ চাক্তবা য়াওরমগনি। কনা অমদি মচা মশূ কায়নবা, ময়ুম মকৈ মৈ থাবীখিবা অৱা অনা য়াওরমগনি । লাজেন্নফমদা পাংথোক্লিবা ষষ্টি পুজাগী থৌরম অদু মহাক্তি য়াওনীংফম থোকলমলোই। অসিগুম্বশিং অসি ইখন খন্নদনা মীডিয়াদগা উৎলকপসি নুংঙাইখিদে।

কবো তম্পাক ঐখোয়গী ওইরম্মী। বর্ম্মাদা পীথোকখি। পীথোকখিবগী ৱারী তারগা ঐখোয়না ঙসি তকসি শোলহৌরি। ঐখোয়গী চুরাচান্দপুর, তোর্বুং লমজাও, মোরে মীতোপ কুকীদা পীথোকখিবদা তুংদা হৌরক্লিবা মীরোলনা ঐখোয়বু চৈহৌগনি । তকসি শোন্নগনি।ঐখোয়না কবো ভেল্লিগী চাকপগুম, হৌরক্লিবা মখোয়না চুরাচান্দপুর মোরেগীদমক চাকহৌগনি। য়ারোই পীখিবা য়ারোই। ঐখোয়গী থৱায়না লৈরিখৈ ঐখোয়গী লম মচেৎ অমত্তা পীখিবা য়াফম থোক্তে। ইমা ইবেলশিং, পুৱারীগী লমায় অমা হাংলবনি। খ্বাংচেৎ মচি চেৎনা কিবীয়ু । অহুমশুবা নুপী লাল অমা ঙসিগী মীরোলদা শোক্লরবনি হায়বসি কাওহনজনিংদে।

*- মাখোনমনি মোংসাবা*

---

ৱারী ককনাউ

# উচেক মথী

ঐ ঙরাংদি মঙদা উচেক অচৌবা অমা ওল্লগা কোয়পাই পাইরগা চীংদগী কুমথরক্লগা তম্পাক লম নকশিন্না শাজিল্লক্লিবা বঙ্কর ময়ামদু য়েংলম্মী। য়াম্না খুদুম চনশিল্লকপা, মথক্তগী ইরায় লায়না উবা ফংখি। দ্রোন কেমেরা থাগৎলগা কদাইদা করি য়েংবদু ঙাই। ঐ চোকথবা লৈতনা কোয়পাই পাইদুনা চুড়াচান্দপুর রোমদগী হাইগৎলক্লিবা কোয়লাশ নীংথিনা থারবা নেসনল হায়ৱেদগী হেন্না লম্বী ফরবা জর্মন রোদ লোমদা পরিং লাক্লগা, লাইখূৎশাংবীগী মখূৎকুম সুম সুম শাংদোরক্লিবা চীংশাং পরেংশিংদুনা তেরাখোঙশাংবী, থাংজিং, ত্রোংলাওবী, ওকসুবুং, থম্নাপোকপী, ফুবালা, থিনুঙ্গৈ, নিংথৌখোংদগী মরী মরী চৎখ্রগা চীং ককা কক্তুনা শেমখ্রিবা লম্বীনা কাঙচুপ য়ৌরগা অমুক কৌব্রু চীংশাং কোনশিল্লগা কাংপোকপী য়ৌনা শন্দোরকখ্রিবা লম্বীশিংদু য়েংথোক্লুরে। কোন্নথংদদি ইশাসি চোকথমন্দুনা ঈশিং থক্কে হায়দুনা তারু তারুবা চীংজুম লাইজ থিববু ফংদ্রে। পোপিনা চগুংননা চীংমাই থন্না থাখ্রবা মফমদুদা য়ুরিয়া হার চাইবদুগী নোং খজিক খজিক চুথরকপদা চেন্থরকপা লৈনাং তারবা ঈশিংদু থকনীংদদুনা খৌরাংবা ফাজিন্দুনা সুম সুম পাইরকখি। মতাংদুদা হাঙলবা অতিয়াদুদা ঐনা নীংশিংলকখি। মতম ইচা চাদনা য়ুরিয়া পীক পীক থন্না হাপ্লবা টাটা চাকা ১২ পানবা ময়াম অমা চুড়াচান্দপুররোমদা থৌজিনখিবশিংদু। কোন্নথংদা য়ুরিয়া য়াওবা টাটা অনী ফাগৎলুবদা লৈঙাক্কী মায়কৈদগী শেংদোরকখিবদু। য়ুরিয়াদু গভর্ণমেন্টকী নত্তে, লন্নাই ওইনা চীংজরকপনি হায়না ইরেম লেমখৈ থাদোকপীখিবদু। য়ুরিয়া হায়বসিবু লন্নাই মীওই অমনা হেক্তা চীংবা য়াবা, দুকান অমদা হেক্তা পংয়োন্দা য়োনবা য়াবদৌনা লৈঙাক্কী শেংদোক ৱারোলদু পারুবদা কোকসি ঙাওখিবনি। ষ্টটকী কোটা ওইনা পীবা য়ুরিয়াবু কনানা করম্বা খূৎ চঙদুনা লন্নাই ওইনা চিংলিবনো? ইরায় লায়বা ইহো হোবা পাউদু তাবদা অদুম খঙখি মীয়াম্না, লৈঙাক্কী অচৌবা অহোবা অমা কদাইদনো লৈরে। মসি নীংথিনা মেনশিলহৌদ্রবদি মখোয় মখোয়গী মথক্তা নোংমদি হৈথরক্কনি হায়না। খনবগা তৌবগা উরেদনা তৌরিসি। ঐ হন্দক্তি ৱারে, ইসাদু খপ্পা ঙমদ্রে অদুনা চাওরবা উজাও অমগী মখাদা তোংদুনা পোথারিঙৈদা ঐদি ঙাইহাক তূমথোক্লুরমাল্লে। ঐনা মীৎ খংশিং শিংলকখিবদু মখাদা মীখোল খরা তারকপা অদুদগীনি। ঐনা কোয়য়েং য়েংই, উরে, মখাদা মখূৎতা অফবা মখলগী নোংমৈ পায়বা নহা মঙা তরুক বঙ্কর অমগী মনুংদা নোংমৈদুগী মচিনদু থিন্দোক্তুনা থল্লগা ৱারী শারি। নহা অমদি মশাদু ইরেক লেকথনা উই। ঐনাবু খল্লি, মাগীসিবু নারবজাৎলা?

"মিষ্টর ঐ চৎপীরকেকো" ঙাঙলিবা নুপাদু মখুজিন কক্ত্রবা অচৌবদুনা মমায়দা গোরো গোরো খোৎলি। খৈনি কৌতা পুথোক্লগা মখুম হাংদোক্লগা খুবীগা খুদোম্বীগনা চখোম অচৌবা অমা কোৎলগা ময়াদু লাওনা ফাক্তোক্লগা হুকচিনগে হায়না মমায়দু উথকলোমদা থাঙ্গৎলগা খৈনি হাপচিনবা মতমদুদা থোক হেক উরুরে। নুপাদু মকোক্তা খুদৈগুম্বা অমা কিরি। ময়াদুদি লোইরে, অঙৌবা শরুক অমত্তা য়াওদ্রে। ঙাংশং হেক ঙাংই। ঐ মাগী ময়াদু উবদা ঙসাইগী ঈশিং খৌরাংবগদু কোকখ্রে। তুকৎচবনা ইশাসি থক থক হেক নিকই।

- "কৈতৌ চৎতুইপা, বোসনা নকোক্তুদা থোক লাওনা কাপচনি।"

"ঐহ! ঐ নিশা লাগিরে, পোৎ পুরক্কনি হায়রকপা হৌজিক ফাও পুপিরক্তবা। ঐ নোংমৈ কাপ্পীবা ঙম্মরোইকো। চাক চাত্রসু য়াই, পোৎ কাপতবদি ঙম্মোইকো"

"ঐহ! মিষ্টর, মাইনা পুরক্কনিনে। ঙাইয়ু ঐসু ঙাইরিসিনি" হায়দুনা শেৎলিবা লুংগি অমনবদু তাখৎলগা মফৈগন ফুরি থুংবদুদা গোরো গোরো হোৎলি।

"ফরে নঙকীতি শেল কয়া পীবিপরা?"

"এদভান্স খরা পীখিপতু অপাদা পীথোকপীরম্মে"

"ঐগীসুনি, শেল হাপকনি হাপকনি হায়রসু হাপ্পীতে, কৈনো মোইনা তৌরিসিবো?"

"তানীংতেতা, নঙ সিপতা কো, গোরমেন্টনা অশিমন পীপীকনি। ঐখোয়গী অমিট শাহনা লাখ তরা তরা পীকনি হায়পতু কাউপরা? শিতা শিয়ু মাইনা পীচরক্কনি।

"অতুতি নঙসু শিপা ঙাইপরা লাখ তরা ফংনপা"

"অতুই নত্তেতা"

"ঐখোয়না নোংমৈ পংকাপ্তা কাপ্পা, মীকী য়ুম মৈ পংথা থাপীপসি মরম করিকীরা?"

"সিপরেট এদমিনিষ্ট্রেসন তানপনিনে"

"কুকিলেন্দ তানপনি হায়পসিনা করিরা?"

"অদুতা নত্তেনে, য়ুনিয়ন টেরিটোরি হায়পা অমসু তানপনি হায়পনিনে"

"এসস! অতুতি য়াম্মেতা, কয়া পীকতবা"

"লোইনা পীকনি হায়না হায়পতুতি"

"অতু ফংলকা করি কান্নকত্রা?"

"মিষ্টর, নঙকী লৈপাক লৈতবতু লৈনবা তানপীবনিনে। মরম থিকনু, নোংমৈ পংকাপ্তা কাপ্পু"

"ঐনা হাৎপসি য়াম্না য়াম্মেনে। লানপসু লানতবা মীতা সুম হাৎপসি নুংঙাইতেতা"

"অতু হায়কনুনে, নঙসু শিকনিনে"

"করম্না শিকতপা?"

"ঐনা কাপকনিনে"

"ক্রিকি"

"মরৈ য়েৎপকী"

"ঙমসু ঙম্মোইতপতা"

"এহ! অতুতি কাপ্নে" হায়রগা নুপাদুনা ৱারী শানরিবা নুপাদুদা নোংমৈনা কাপশিল্লি। নুপা অমদু শিরে খুদক্তা। অতৈদুসু অমগা অমগা ওনশিন্নদুনা পংকাপ্তা কাপখ্রে। অমখক হিংখ্রে। অদুগা মানা হৌগৎলগা শেৎতা হায়খিবতুনি ঐনা ঈ কারিসে।

"মৈতৈনা নোংমৈ কাপশিনবদা ঐখোয়গী মী মরি শিরে"

মাগী ৱাদু তাবদা ঐ য়াম শাওরে, খোইদৌসি হেক শাওগৎতনা ঐনা ঙেক ঙেক শংঙগা নুপাদুগী মকোক্তা মপা চানা থী পেদ্রেৎ লাওনা ফাইথবনি। ঐগী থীদু নুপাদুগী মরাইবক মপা চপ চানা তাখি। অদুদগী ঐ তম্না নুপাদুনা নোংমৈ থাঙ্গৎলকপদা ঐ ইসা খক্তুনা ফ্রং লাওনা পাইথোরক্লে। অদুদগী ঐ মীকপ অদুম থোক্লে। ঐনা খল্লি, মঙ হায়বসিসু অঙকপনিকো। ঐ ফমুংদা ফম্মগা ৱাখল খল্লি। নীংশিংলকই, ঐখোয়গী চীংয়াদুদা মখোয়গী বঙ্কর অনৌবা মরি মঙা শাজিল্লকখিবদু।

**— নরেন্দ্র নিংঙোম্বা**

---